# কর্নাটকাগী স্পিকরনা ট্রষ্ট ভোটকী মাংওইননা রেবেল এম এল এ ১৪ দিসক্কালিফাই তৌখ্রে, য়েদিয়ুরপ্পাগী ট্রষ্ট ভোট পাঙথোক্লগনি



বেঙ্গালুরু, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): কর্নাটকাদা চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপ্পাগী ট্রষ্ট ভোট পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ঙসি ষ্টেট অসিগী এসেমব্লী স্পিকর কে আর রমেসকুমারনা রেবেল এম এল এ ১৪ এন্টি দিফেক্সন লোগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৩দা লোইগদবা এসেমব্লী টার্ম ফাওবা দিসক্কালিফাই তৌখ্রে।

কোংগ্রেস-জে দি এস কোলিয়েসন লৈঙাক তুখিবদগী য়েদিয়ুরপ্পানা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং স্পিকর কে আর রমেসনা কৌখিবা পাউগী মীফম অমদা কোংগ্রেস এম এল এ ১১ অমসুং জে দি এস এম এল এ ৩ দিসক্কালিফাই তৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

স্পিকরগী খোঙথাং অদুনা চীফ মিনিষ্টর য়েদিয়ুরপ্পাগী মায়কৈদা মাংজবা অমত্তা লৈরোই। মদুগী মহুৎতা হেন্নদুনম পাঙ্গল লৈগদৌরি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা য়েদিয়ুরপ্পাগী ট্রষ্ট ভোট অদুদা এম এল এ ২০ য়াওরোইদৌরি। পুন্না এম এল এ ২২৪ লৈবা এসেমব্লী অদুদা স্পিকর য়াওদনা ২০৭কী ভোট তৌনগদৌরিবনি। মদুদা ভোট মশিং ১০৪ ফংলবদি মায় পাকপা ওইগদৌরি।

বি জে পিগী ওইনা ইন্দিপেন্দেন্ট অমনা শৌগৎপগা লোয়ননা পুন্না মেম্বর ১০৬ লৈ। কোংগ্রেসকী ৬৬, জে দি (এস)কী ৩৪ অমসুং বি এস পিগী মেম্বর ১ য়াওরি।

স্পিকর রামেস কুমারনা লৌখৎলকখিবা খোঙথাং অসি কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসনা থাঙ্গলকখিবা পিটিসদা য়ুম্ফম ওইখিবনি। স্পিকরনা মমাঙদা রেবেল এম এল এ ৩ দিসক্কালিফাই তৌবা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা এন্টি দিফেক্সন লোগী মতুং ইন্না দিসক্কালিফাই তৌরবা এম এল এশিং মীরেপ ওইবা নত্রগা মীখল মায় পাকপা য়ারোই। হৌজিক লৈরিবা এসেমব্লীগী টার্ম অদু লোইরবা মতুং মখোয়গী অপান্বশিং অদু পাঙথোকপা য়াগনি হায়রি।

দিসক্কালিখাই তৌখ্রবা এম এল এশিং অদুগী মমিংশিং অদুদি কোংগ্রেসকী প্রতাপ গোদা পতিল, বি সি পতিল, সিবরাম হেবর, এস দি সোমাসেখর, বিরাতি বসবরাজ, অনন্দ সিংহ, রোসন বেগ, মুনিরত্না, কে সুধাকর, এম টি বি নগরাজ অমসুং স্রিমান পতিলনি। জে দি (এস)কী গোপালা, এ ঐচ বিস্বানাথ অমসুং নরায়ন গোদানি। অদুগা অতোপ্পা পার্টিগী এম এল এশিং অদুনা রমেস জর্সি হোলি, মহেস কুমাতালি অমসুং সঙ্করনি।

নাকল অমরোমদা বি জে পিগী মায়কৈদগী স্পিকরগী খোঙথাং অসি মরম চাদবা অমসুং লোগী ৱাংমদি হায়না মরাল শীখি। মহাক্না এম এল এশিং অদু দিসক্কালিফাই তৌবগী ওর্দর অদু অশোইবনি হায়রদুনা বি জে পিগী সিনিয়র লুচিংবা গোবিন্দ কার্জোলনা ফোঙদোকখি।

রেবেল এম এল এশিংনা সুপ্রিম কোর্টতা চৎকনি হায়রি। মখোয়না স্পিকরদা মশামথন্তা রিজাইন তৌজ রেহায়না পীখৎখিবা ৱারোলশিং অদু য়াফম থোকপনি।

অমরোমনা কর্নাটকা কোংগ্রেসনা রেবেল এম এল এশিং অদুবু দিসক্কালিফাই তৌখিবগী খোঙথাং অদু তরাম্না ওকখি। পার্টি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা বি জে পিগা খুৎশম্লনা চৎননবা হোৎনখিবা পার্টিদা মীনল্লম্বা এম এল এশিং অদু মখোয় মখোয়গী কন্সটিটুয়েন্সিগী ভোটরশিংনা ৱায়েল পীরক্কনি হায়না কোংগ্রেসকী লেজিসলেটিব পার্টিগী লুচিংবা সিদরময়ানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, স্পিকর কে আর রমেস কুমারগী ৱারেপ অদু দেমোক্রেসিগী মায় পাকপনি হায়খি। খোঙথাং অদুনা তুংদা পাৱরদা কা হেন্না মীতাবা অমদি পার্টিগী আইদিওলোজিবু খোংনেৎনবা অমসুং য়োম্থোকপগী চৎনবী অসি অমুক লাক্তনবনি হায়খি।

জে দি এসকী মায়কৈদগীসু স্পিকরগী ৱারেপ অদুনা সেম্মোক্রেসিবু অরানবা মওংদা পুহন্ন হোৎনখিবা রেবেল এম এল এশিং মখা তানা পাৱরদা করাম্বা অদু ফহল্লগনি হায়রি।

মরক অসিদা ট্রষ্ট ভোটকী মাংওইননা কর্নাটকা এসেমব্লীগী কিলোমিটর ২গী অকোইবদা হয়েং অয়ুক পুং ৭তগীনা জুলাই ৩০গী নোংয়াই ফাওবা সেক্সন ১৪৪ চল্লাইনবা সিনিয়র পুলিস ওফিসল অলোগ কুমারনা ঙসি প্রোহিবিটরি ওর্দর অমা থোকখি।

# কস্মিরগী দিভলপমেন্টতা থিংলকপশিং মায় পাকপা ঙম্লোই ঃ নরেন্দ্র মোদি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): কাস্মিরগী চাওখৎ খোঙথাংগী থবক থৌরমশিংদা থিংলকপা অমদি নুংশিন্নদনবা ৱাখল্লোলশন্দোকপশিং কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না ঙসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

থা খুদিংগী ওল ইন্দিয়া রেদিওদা ব্রোদকাষ্ট তৌবা 'মন কী বাট'তা 'বেক টু ভিল্লেজ' হায়না মিংথোনবা প্রোগ্রাম অমা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা জুন থাদা পায়খৎখিবা অদুদা মফম অদুগী খুঙ্গংগী মীওই কয়া থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াখি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা ষ্টেট অদুগী মনুং হুৎচিন্না লৈবা মফমশিংদা য়ৌশিন্দুনা মফম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা চাওখৎ খোঙথাংগী তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মীয়াম্না চাওখৎ খোঙথাংগী লমদা অতোপ্পা মফমশিংগা লেং মান্ননবা হোৎনানিংবগী অচৌব অপাম্বা লৈ হায়বদু উৎপা ঙম্মী।

মসিনা তাকপদি নোংমৈ মরু অমসুং বোমগী পাঙ্গলবুদি চাওখৎপগী পাঙ্গলনা হেন্না মপাঙ্গল লৈ হায়বদু উৎলি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা বেক টু ভিল্লেজগী প্রোগ্রাম মনুং চন্না পঞ্চায়ট ৪৫০০ শীনবা থুংনা খুঙ্গংগী য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা ৱারী শাখি। য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা মিলিটেন্সিগী চাং ৱাংনা লৈবা সোপিয়ান, পুলৱামা, কুলগাম অমসুং অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওফিসলশিং অদুনা অকিবা লৈতনা মফম অদুগী খুঞ্জাশিং অদুগা ৱারী শান্নখি। ষ্টেট অদুগী পুকচেল চাওরবা মীয়াম্না তুংদা টুরিজমগী লমদা হেন্না চাওখৎপগী মতেং পীরক্কনি হায়না থাজে হায়খি।

# দ্রোন পায়বা থেংনরকপদগী আই এস আর ওগী প্রোপলসন রিছার্স সেন্টরদা মীৎকুপ নাহুম শিংবা হেনগৎখ্রে



টিরুনলভেলি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): টামিল নাদুগী টিরুনলভেলি দিষ্ট্রিক্টকী মহেন্দ্রগিরিদা লৈবা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)গী প্রোপলসন রিছার্স সেন্টর (আই পি আর সি)গী অথিংবা লৈরিবা নোংথক্কী শরুকশিং অদুদা ইরাই নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগীনা থাংজ নুমিৎকী অঙনবা অয়ুক ফাওবা দ্রোনশিং পায়শিল্লকপদগী কমপ্লেক্স অদু হান্নদগী মীৎকুপ নাহুম শিংবা হেনগৎহনখ্রে।

মফম অদুবু ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌরিবা সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সি আই এস এফ)কী সেন্ট্রি অমনা ইরাই নুমিৎক নুমিদাং পুং ১১.৫০ রোম চৎপদা কমপ্লেক্স অদুগী নোংথক্কী শরুক্তা দ্রোন অমা পায়শিল্লকপা থেংনখি। মিনট খরা পায়লরল্লগা অমুক চৎখি হায়রি।

কমপ্লেক্স অদুগী মেন গেট অমসুং মপানগী গেটতা খুৎলায় পায়বা সেন্ট্রিশিংনসু ঙসি অয়ুক অঙনবদা দ্রোন অদু পায়বা থেংনখি হায়রি।

থৌদোক অদু খুদক্তা সি আই এস এফকী য়ুনিট কম্মান্দরদা রিপোর্ট পীখ্রবা মতুং থিগৎপগী থবক চৎথখিবদা অপায়বা পোৎ অদু দ্রোননি হায়না কনফার্ম তৌখি। সি আই এস এফনা তিরুবনন্থপুরম মনক্তা লৈবা আই এস আরগী থুম্বা সেন্টরদসু পাউ পীখি।

লোয়ননা বেঙ্গালুরুদা লৈবা আই এস আরগী হেদ ক্বার্টর অমদি টিরুনলভেলিদা লৈবা কুন্দনকুলম ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্টতা দিটেজ তৌবা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সতসু পাউ পীখি।

থৌদোক অদুগী মতুং ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা ওইরকপা য়াবা এয়র ষ্ট্রাইক ঙাকথোক্লনবা পার্সনেল ১৫০গা লোয়ননা এন্টি এয়র ক্রাফট বেটরিশিং শেম শাদুনা থমখি। মরক অসিদা সি আই এস এফকী পার্সনেলশিং অদুবু মখা তানা চীংননিংঙাই ওইবামওংদা নোংথক্তা অপায়বা পোৎমশিং পায়শিল্লকপ্রা হায়না কুপ্না য়েংশিন্নবা হায়খিবগা লোয়ননা অথুবদা রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখি।

সি আই এস এফনা পনাগুদি অমসুং অরালভাই মোজি পুলিস ষ্টেসনদা আই পি আরসিগী নোংথক্কী মফমশিংদা দ্রোন পায়শিল্লকপগী কমপ্লেন অমা তৌখি। আই পি আর সিনা ক্রাইওজেনিক অমসুং সেমি ক্রাইওজেনিক প্রোপলসন সিষ্টেম শাগৎপা অমসুং রিছার্স তৌবা লোয়ননা জি এস এল ভি লোঞ্চ ভেহিকলগী ইঞ্জিনশিং পাংখৎপা অমসুং টেষ্টিং তৌরিবনি।

কুমজা ২০১৫কী দিসেম্বর ১৪গরী নোংয়াইদা আই পি আর সিগী কমপ্লেক্সতা দ্রোন পায়শিল্লকপা থেংনবদগী অকোইবদা লৈবা ৱেষ্টর্ন ঘাটকী উমংশিং অদুদা পাক শন্না ওপরেসন চৎথদুনা দ্রোনশিং অদু থীবগী থবক চৎথখি অদুবু দ্রোনশিং ফংবগী পাউদি ফংখিদে।

# কেসশিং থুনা লোইশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে ঃ সুবাস রেদি



হায়দরবাদ, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টকী জজ জষ্টিস আর সুবাস রেদিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা তোঙান-তোঙানবা কেসশিং থুনা লোইশিন্নবা তঙাইফদবা লৈরে। মদুগীদমক্তা জজ অমসুং এদভোকেটশিংদা পাবগী হৈনবী হেনগৎনবা অপিল তৌখ্রে।

ৱাফম অসি জষ্টিস আর সুবেস রেদিনা সিকন্দরবাদতা সিটি সিভিল কোর্টস কমপ্লেক্স- ফেজ টু শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। পিটিস্নরশিংনা মখোয় মখোয়গী কেসশিং অদু য়াম্না থুনা লোইশিনবা পাম্মী। মসিগীদমক্তা জুদিসল ওফিসারশিং অমদি এদভোকেটশিংনা খুৎশম্নদুনা কেস লোইশিনবগী চাং হেনগৎনবা থবক পায়খৎপগী মতম য়ৌরে হায়খি।

কেসশিং থেংথহনবগী থবক অসি হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসি শীনবা থুংনা মায়োক্লরি। মসিগী অচৌবা মরম অমনা জজশিং অমদি এদভোকেটশিংনা পাবগী হৈনবী অসি হন্থরকপদগীনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা মখোয়না নহা ওইরিঙৈদা পাবগী হৈনবী অদু থাক ৱাংনা লৈখি হায়খি। জষ্টিস রেদিনা পীখিবা সজেসনদা থেংথরিবশিং অসি মশিং হন্থনবা মাংজৌননা কেস পেপরশিং অদু জজ অমসুং এদভোকেটশিংনা নীংথিনা পাবা অমা চঙই হায়খি।

নৌনা খল্লবা জুদিসল ওফিসারশিংনা বেঞ্চতগী বারগী সিনিয়র মেম্বরশিংদা উৎফম থোকপা নোল্লকুপা অদু ৱাৎলি হায়খি। লোয়ননা বারগী মেম্বরশিংনা 'লক্ষ্মন রেখা' লান্থোক্তনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা জুদিসিয়রিগী মেম্বরশিং অদুবুসু নোল্লুক্কদবনি হায়খি।

ইন্টর্নেলগী ওইবা খুদোংচাদবা অদুমক লৈগনি। মসি ঐখোয় ইশানা শেমদোকচগদবনি। পিটিস্নারশিংগী ওইনদি মখোয়গী কেসশিং অদুদা মায় ওনশিনবা খক্তনি। থুনা লোইবা অমদি থেংথদবা পাম্বা ঙাক্তনি। ঐখোয়না থুনা লোইশিনবগী থৌদাং অদু লৌফম থোকপনি হায়না থৌরম অদুদা জষ্টিস সুবাস রেদিনা মখা তাখি।

অতোপ্পা সুপ্রিম কোর্টকী জজ এম ভি রমননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ন জুদিসিয়ারিদা খ্বাইদগী চাওনা থেংনরিবা অৱাবা অসি কেস পন্দুনা লৈবা অসিনি। মসি বারগী মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা মথৌনি। মসিদা জজশিংসু য়াওরিবনি।

# অসামগী ঈচাওদা লৈখিদবা মীগী মশিং ৮২ শুখ্রে



গুৱাহাটি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): অসামদা ঈশিং ঈচাওগী থেংনরিবা অৱাবা অসি ফগৎলকপগী মমি চাওনা উদ্রি। বারপেটা দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ১ ঙসি শীখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা শীহনখিবা মীগী মশিং ৮২ শুখ্রে।

রেভেন্যু সার্কল ৫৬তা লৈবা খুঙ্গং ১৭১৬তা মীশিং লাখ ২১.৬৮ রোম ঈচাও অসিনা শোকহনখি। অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না বারপেতা খক্তা নত্তনা শোকহল্লবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ১৭ অদুদি ধিমাজি, সোনিটপুর, দরন, বক্সা, নলবারি, চিরাং, বেঙ্গাইগাও, কোক্রাঝর, ধুব্রি, গোলপারা, কমরুপ, কমরুপ (এম), মোরিগাও, নগাও, গোলঘাট, জোরহাট অমসুং কছারনি।

হৌজিক হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট ১২দা রিলিফ কেম্প ৬১৫ হাংদোক্তুনা মীওই লিশিং ৯৯গী চঙজফম পীরি। অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা দিষ্ট্রিক্ট ৫দা রিলিফ দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টর ৪৯ হাংদোক্তুনা লৈরি।

খুদোংথিনিংঙাই থাক্তা চেল্লিবা তুরেলশিং অদুদি ধুব্রি অমসুং নিমাতিগট (জোরহাট)কী মফমদা ব্রহ্মপুত্রা, নঙ্গামুরাঘট (সিবজাগর)দা চেল্লিবা দেসাং তুরেল, এন্টি রোদ ক্রোসিং (সোনিটপু)দা চেল্লিবা জিয়াভরালি তুরেল, নেসনল হায়ৱে রোর্দ ক্রোসিং (কমরুপ)তা চেল্লিবা পুথিমারি তুরেল, রোর্দ ব্রিজ (বারপেতা)দা চেল্লিবা বেকি তুরেল অমসুং করমিগঞ্জতা চেল্লিবা কুসিয়ারা তুরেলনি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুঞ্চতা পাকিস্তান্না সিজ ফায়র থুগাইখ্রে

জম্মু, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি)গী পরিংদা পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা সিজ ফায়র থুগাইদুনা মোটার অমসুং রাইফলশিং কাপশিল্লকপগী থৌদোক অমা ঙসি থোকখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী লান্মীশিংগী মরক্তা বোর্দরশিংদা নোংমৈ মখোল তাদবা নুমিৎ ৫নি লৈরুরবা মতুং পাকিস্তাননা ঙসি বোর্দর লান্না কাপশিল্লকপশিং অদুনা অহানবনি।

দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তারকপদা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী সহাপুর অমসুং সোজিয়ান সেক্টরগী এল ও সিদা পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অমসুং মোটার কয়াসু কাপশিল্লকপনি।

জম্মুদা বেজ তৌবা আর্মিগী পব্লিক রিলেসন ওফিসার (পি আর ও) লেফটনেন্ট কর্নেল দেবেন্দর অনন্দনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়ান আর্মিনা খুৎ হন্দুনা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী কাপশিল্লকপা নোংমৈশিং অদু লম্বা তৌখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অশোক অপননংবগী পাউ লৈত্রি।

# হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জয়পাল রেদি লৈখিদ্রে

হায়দরবাদ, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): মমাঙদা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লুচিংবা ওইরম্বতা নত্তনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবা জয়পাল রেদি ঙসি অয়ুক অঙনবদা মশাগী চহী ৭৭ শুরগা হায়দরবাদকী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে।

জয়পাল রেদি নিমোনিয়া নাদুনা হোস্পিটাল অদুদা এদমিট তৌখিবনি। মহাক ঙসি অয়ুক পুং ১.২৮ তাবদা লৈখিদবনি। কুমজা ১৯৮৪দগী জয়পাল রেদি পার্লিয়ামেন্টরিয়ান অমা ওইরকখি। মহাক্কী পোলিটিকেল কেরিয়রদা লোক সভাগী এম পি ৫রক অদুদা রাজ্য সভাগী এম পি অনীরক কাখি। মহাক লৈখিদবদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল য়াওনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

# হিমালায়ন ষ্টেটশিংনা গ্রিন বোনস পীবীয়ু তকশিনখ্রে, সেন্টরদা তোঙানবা মিনিষ্ট্রি অমা থম্বীনবা প্রোপোজেল থাঙ্গৎখ্রে



মুশুরী, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী হিমালায়ন ষ্টেটশিংগী ওইবা কনক্লেব অমা ঙসি উট্টরখন্দগী সিটি মুশুরীদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা গ্রিন বোনস পীবীনবা অমসুং মফমশিং অসিগী ওইবা মান্নবা তোঙান-তোঙানবা প্রোব্লেমশিং থেংননবা সেন্টরদা তোঙানবা মিনিষ্ট্রি অমা থম্বীনবা তকশিনবগী ৱরেপ লৌখ্রে।

দিমান অনী অদুনা হিমালয়ান ষ্টেটশিং অদুগী অমত্তা ওইবা এজেন্দা ওইখি। লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা কনক্লেব অদু লোয়রবা মতুং প্রোপোজল অমা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমন্দা পীশিনখ্রে হায়না উট্টখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ত্রিবেন্দ্র সিংহ রাৱটনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কনক্লেব অুদুদা য়াওখিবা চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং মীহুৎশিংগী হিমালায়ন ষ্টেটশিং অদুদি: জম্মু এন্দ কাস্মীর, উট্টখন্দ, হিমাচল প্রদেশ, সিকিম, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, নগালেন্দ, মণিপুর, ট্রিপুরা, মিজোরাম অমসুং মণিপুরনি। অসামদি ষ্টেট অদুদা ঈশিং ঈচাওগী অচৌবা থৌদোক অমা মায়োক্লরিবা মরম্না কনক্লেব অদুদা য়াওখিদে।

হিমালায়ন ষ্টেটশিংনা প্লেটফোর্ম অমদা পূন্না ফম্মিনদুনা গ্রিন বোনস পীবিনবা অমসুং মফমশিং অসিগী মান্নবা প্রোব্লেম সোল্ভ তৌনবা তোঙানবা মিনিষ্ট্রি অমা থম্বীনবা প্রোপোজ তৌখিবা অদু হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

গ্রিন বোনস দিমান্দ তৌখিবগী মরম পীরদুনা হিমালয়ন ষ্টেটশিং অসিদা লৈরিবা উমং ৱামংশিং অসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বায়দগী অশং অমানগী মফম লৈরিবনি। এনভাইরোমেন্ট কনজার্ভেসনগী থবক থৌরমসিং ষ্টেটশিং অসিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদগী অহেনবা থৌদাং লৌরিবনি। মরম অদুনা সেন্টর লৈঙাক্না ষ্টেটশিং অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা মান্নদনা গ্রিন বোনস দিমান্দ তৌরিবনি হায়না উট্টখন্দগী চীফ মিনিষ্টর রাৱটনা মখা তাখি।

লৈবাক অসিদা চেল্লিবা মরু ওইবা তুরেলশিংগী হৌরকফম অসি হিমালয়ন ষ্টেটশিং অসিদা ওইরিবনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাটর কঞ্জার্বেসন ইনিসিএটিব অদু ষ্টেটশিং অসিগী মায়কৈদগী য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। ষ্টেটশিং অসিদা ইকো সেন্সিটিব জোন কয়া লৈবা মরম্না দিভলপমেন্টকী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা অপনবা পীরি। মসিনা মরম ওইরগা হিমালয়ন ষ্টেটশিং অসিদা গ্রিন বোনস পীফম থোকই হায়খি।

কনক্লেব অদুদা হিমাচল প্রদেশকী সি এম জয়রাম থাকুর, মেঘলয়াগী সি এম কোনরাদ কোংকল সংমা, নাগালেন্দ সি এম নিফ্যু রিও, অরুনাচলগী দিপ্যুতি সি এম সৌনা মেন, মিজোরামগী লালনুংনুঙ্গা, ত্রিপুরাগী মনোজ কান্তি দেব অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী সিনিয়র ওফিসলশিং য়াওখি।

১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী চেয়ারমেন এন কে সিংহ, নিতি আযোগকী ভাইস চেয়ারমেন রজিব কুমার, দিপার্টমেন্ট ওফ দিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসনগী সেক্রেটরী প্রমেশ্বরন আয়র, নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী মেম্বর কমল কিশ্বর অমসুং ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ফোরেষ্ট মেনেজমেন্টকী প্রোফেসর মধু বর্ম্মসু কনক্লেব অদুদা শরুক য়াখি।

# মহারাষ্ট্র এসেমব্লী মীখলগী সিট ২৪০দা কোংগ্রেসকা য়ানবা পুরকখ্রে ঃ সরত পৱার

পুনে, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা সরত পৱারনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী পার্টিনা চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অদুগী এসেমব্লী মীখলদা পুন্না সিট ২৮৮ লৈবগী মনুংদা সিট ২৪০দা কোংগ্রেস পার্টিনা য়ান্নবা পুরক্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রাজ থাক্রেনা লুচিংবা এম এন এসনা এসেমব্লী মীখল অদু ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং রিজার্বেসন তৌবগী মতাংদা বোইকোট তৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাউ মীশিংগা উনবা অদুদা ওপোজিসন পার্টি অনীগী লুচিংবনা মখা তানা লৈহৌরিবা পার্টিশিংদা সিটশিং অদুগী য়ান্নবা পুরক্লবা ৱারী শান্নরগনি হায়খি। সিট য়েন্নবগী ৱারি অদু লোইশিনখিবগা লোয়ননা কন্সটিটুয়েন্সিশিংদা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিং অদুগী মমিং লাক্কদৌরিবা মতম খরা অসিদা ফোঙদোক্লগনি হায়রি।

এন সি পিগী প্রসিদেন্ট সরত পৱারনা মহারাষ্ট্র নবনির্মন সেনানা কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগী এলাইয়েন্স অসিদা য়াওনিংবগী ৱাফম অদুগী মতাংদা মুম্বাইদা পার্টি অদুগী লুচিংবা খরগা উনখ্রে হায়রি।

ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন শীজিন্নবা পামদে হায়না এন এম এন এসনা মীখল বোইকোট তৌবগী ৱাফম অদু এন সি পিনদি য়াবা ঙম্লোই। নেসনল লেভেল পার্টিশিংগী মায়কৈদগীদি মীখলদা ই ভি এম শীজিন্নবদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ৱাফম অসি কোর্ট ফাওবা য়ৌনখ্রবনি।